প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দগী ওষ্ট্রেলিয়া খোঙচৎতা এগ্রীমেন্ট ৫ সাইন তৌনখ্রে



মেলবোর্ন, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দ ঙসি মহাক্কী ওষ্ট্রেলিয়া খোঙচৎতা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোত মোরিসনগা সিদনিদা উনখ্রে অমসুং নাকল অনীনা দিসেবিলিটি, এগ্রিকলচরেল রিছার্চ অমসুং এদ্যুকেসনগুম্বা মরুওইবা সেক্তরশিংদা ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং মতেং পাংনবা হেনগৎহন্নবা এগ্রিমেন্ট মঙা সাইন তৌনখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎপা ইন্দিয়াগী অহানবা হেদ ওফ ষ্টেট ওইরিবা রাম নাথ কোভিন্দ মহাক্কী লৈবাক অনীগী খোঙচৎকী অনীশুবা খোঙদাফম ওইনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা সিদনিদা থুংখি। এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন রবিস কুমারনা হায়, প্রসিদেন্ট কোভিন্দগী ওষ্ট্রেলিয়া খোঙচৎ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মারিসে পাইন অমসুং ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেনর্সিপ অনন্তকুমার হেগরেগী মমাঙদা লৈবাক অনীগী হায় কম্মিস্নারশিংনা এগ্রিমেন্ট মঙা সাইন তৌনখি।

অহানবা এগ্রিমেন্ট অদু দিসেবিলিটিগী লমদা কোওপরেসন পীননবগী অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংদা সার্ভিসশিং ফংহন্নবগীদমকনি। অনীশুবা অদুনা অমগা অমগা ইনভেষ্টমেন্ট তৌনবা হেনগৎহন্নবা ইনভেষ্ট ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রিমেন্টনি। অহুমশুবা এগ্রিমেন্ট অদুনা সাইন্টিফিক কোলাবরেসন অমসুং ইন্নোভেসন হেনগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সেন্ট্রেল মাইন প্লান্নিং এন্দ দিজাইন ইনষ্টিট্যুট, রাঞ্চিগা রিছার্চ ওর্গনাইজেসন কানবেরাগা সাইন তৌনখি।

মরিশুবা অদুনা লৌউ-শিংঊজী রিছার্চ অমসুং এদ্যুকেসনগী লমশিংদা কোওপরেসন পীননবগীদমক্তা অচার্য্যা এন জি রঙ্গা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, গুন্টুর অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া, পথকী মরক্তা সাইন তৌনখি। ইকোন কোনবা এগ্রিমেন্ট অদুনা জোইন্ট পি এচ দি য়াহন্নবা ইন্দ্রপ্রষ্ঠা ইনষ্টিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, ন্যু দিল্লি অমসুং ক্বিন্সলেজ য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী মরক্তা সাইন তৌনখি।

প্রসিদেন্ট কোভিনগা উনরবা মতুংদা লাকখিবা খোঙথাং অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোরিসননা ইন্দিয়া ইকনমিক ষ্ট্রেটেজিগী রেস্পোন্স ওইনা নাকল অনীনা পায়খৎমিন্নবা শেল-থুমগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অহোংবা লাকহন্নবগী ব্লুপ্রিন্ট অমা লাউথোকখ্রে। রিপোর্ট অসিনা তুংদা ঐখোয়গা ইন্দিয়াগা শেল-থুমগী লমদা মরী শেমগৎনবগী রোদ মেপ অমা পীরি হায়না মোরিসননা ফোঙদোকখি। ইনিদয়া অসি শেল-থুমগী লমদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকনি অমসুং লৈবাক অসিনা মথংগী চহী ২০ অসিগীদমক অতৈ সিঙ্গল মার্কেট খুদিংমক্তগী হেন্না ওষ্ট্রেলিয়ন বিজিনেসতা খুদোংচাবা পীরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

কালিফোর্নিয়াদা লাম্মৈ মুৎখ্রবসু মদস্লাইদ থোক্লকপা য়াবগী অকিবা অমুক লাক্লে

সক্রামেন্টো, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): কালিফোর্নিয়াগী অৱাংথংবা শরুক্তা নোং তাবা হৌরক্তুনা হৌজিক শাথিরবা লাম্মৈ লানশিনবদা মতেং ওইরি, তৌইগুম্বসুং নোংনা চিং নীংখায়বা অমসুং মদস্লাইদশিং য়োকহন্দুনা মী কনবা অমসুং অৱা-অনাশিং মতেং পাংবগী থবকশিং হেন্না লুশিনহনবা য়াই হায়রি।

লাক্লিবা নুমীৎ খরনি অসিদা নোং ইঞ্চি মরিদগী তরুক (সিমি ১০-১৫) ফাওবগী চাংদা চুরবা য়াই হায়না পানরি। মফম খরদি খঙহৌদনা ঈচাউ থোক্লকপা য়াই হায়রদুনা মীয়ামদা শেম-শানবা খঙহনখ্রে। ষ্টেট অদুগী শাথিরবা লাম্মৈ চাকপদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮০ গী পুন্সি লোমখ্রে। কেম্প ফায়র হায়না খঙনবা লাম্মৈ অদুনা পেরাদাইজ টাউনদা ফীভম থিনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক মীওই ৫০০ হেন্না থিবা খঙদ্রি।

লাম্মৈ চাকপদা তুমখ্রবা য়ুম ১০,০০০ হেনবগী লেমহৌবা শরুকশিংগী মরক্তা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অশিবা হকচাংশিং থীখি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতগী চুবা হৌরকখিবা নোং অদু ষ্টেট অদুদা থা তরুকলোমগী মনুংদা ইহান হান্না কন্না চুবা নোংনি। লাম্মৈনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু নোং অদুনা নুংশা শ্বর হোনবগী খুদোংচাবা ফংহনখি। য়ুমশকৈশাগী নুংথিলগী মতমদা নোং অদুনা সেন ফ্রান্সিস্কোগী স্কুল কয়া থোঙ লোনহনখিবা নুংশিৎতা য়াওবা মৈখু শেংদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ফোরেষ্ট সার্ভিসকী জিম মেকেসেননা হায়, নোং অদুনা লাম্মৈ শন্দোকপা তপথহন্দুনা মৈ কনবগী ওপরেসনশিং থুনা লোইশিনবা ঙমহল্লগনি।

অমরোমদা, নোং চুরক্লিবদুনা মী থীবা অমসুং কনবগী থবক হেন্না লুশিনহল্লগনি মরমদি চীংমায়গী অঙম্বশিংদা লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপা হৌরগনি হায়রি। নেসনল ৱেদর সার্ভিস ফোরকাষ্টর জোনি পৱেলনা হায়, মদস্লাইদশিং থোক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ, মরমদি হৌজিক লৈবাক ফাজিন্নবা পান্মী অমত্তা হৌদ্রে। রেস্ক্যু ৱার্কর মচা কয়ানা হুইশিং শীজিন্নদুনা পেরাদাইজ অমসুং অকোয়বদা মাঙখিবা মীশিং থীখি। উৎনা থানা কুপখ্রবা মফমশিং অদু নোং তারকপদুনা পুল্লপ পুল্লপ নকশিন্নখিবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা ফাওবদা মখোয়না হকচাং ৮৩ ফংবা ঙমখিঅমসুং মীওই ৫৮ গী মশক খঙনবা হোৎনখি হায়না বুট্টে কাউন্টিগী সেরিফ কোরি হোনিয়ানা ফোঙদোকখি। মাঙখিবা মী মশিং হৌজিক ফাওবদা ৫৬৩ য়ৌরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

নোং চুরগা লৈখোম থোকপা হায়বসি মীওই খরগী হকচাংগী লেমহৌবা শরুকশিং থীবা ফংলরোই হায়না লৌবসু য়াই। ঐখোয়না থিগদৌরিবসি অপীকপা শরদ মচেৎশিংগুম্বনি। অদুনা মখোয় লোয়নমক ফংদবা য়াই। মসিদা নত্তনা ময়ুম-মকৈ মাঙ-তাকখিবদগী টেন্ট খন্দুনা কেম্প তৌরিবা হিংহৌবা কয়াগী অৱাবসু লৈরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

খাসোজিবু সাউদি প্রিন্সনা মৱা-মখোন তাহন্দনবা হায়খিবগী রেকোর্দিং সী আই এদা লৈখি : টর্কি

ইষ্টানবুল, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্সনা সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজিবু মৱা-মখোন অমত্তা তাহন্দনবা ইন্সত্রক্সন পীবা য়াওবা কোল অমগী রেকোর্দিং সী আই এদা লৈ হায়না এজেন্সী অসিগী দিরেক্টর জিনা হসপেলনা হৌখিবা থাদা টর্কিশ ওফিসলশিংদা ইঙ্গিৎ পীখি হায়না ঙসি টর্কিগী পাউচে অমগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবদা টর্কিশ ওফিসল অমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা অদুগুম্বা রেকোর্দিংগী পাউ মঙোন্দা লৈতে হায়খি। চয়োল তরুক্কী মমাঙদা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা খাসোজি হাৎখিবগী মতাংদা ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা মাঙজৌননা খঙখিবা লৈতে হায়না সাউদি অরাবিয়ানা ফোঙদোকখ্রবনি।

হুরিয়েট পাউচেগী জর্নেলিষ্ট অব্দুল কদির সেলভিনা ইবা কলম অমদা অতোপ্পা রেকোর্দিংগী ৱাফম অমা লৈরে হায়না পনখিবগা লোয়ননা মথক্তা পল্লিবা কোল অসি প্রিন্স মোহম্মদ অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা ওইরিবা ৱাশিংতনদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী এম্বেসেদরগী মরক্তা তৌনখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ইখি মদুদি, সী আই এগী চীফ জিনা হসপেলনা টর্কিদা চৎখিবা খোঙচৎ মনুংদা ইঙ্গিৎ অসি পীখিবনি। মখোয়না কিংদম অদুগী রুলর অদুগী ক্রিটিক অমা ওইরিবা খাসোজিগী মরমদা খন্নখি। য়ু এসকী এজেন্সী অদুনা মোনিটর তৌখিবা কোল অমদা ক্রাউন প্রিন্সনা জমল খাসোজিবু য়ারিঙৈ থুনা মৱা-মখোন তাহন্দনবা ওর্দর পীখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

জমল খাসোজি হৌখিবা ওক্টোবর ২ দা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা হাৎখিবনি। টর্কিগী প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগননা মদু সাউদি লিদরশিপকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা থোকপা ওর্দরনি হায়না মরাল শিখিবনি।

মীশি অদুগী মতাংদা তায়োন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা জর্নেলিষ্ট খাসোজি সাউদি অরাবিয়াদা হল্লক্লুবা কন্না তক্লবদা য়াখিদবদগী হাৎখ্রে অমসুং মহাক্কী হকচাংসু মচেৎ তাহনখ্রে হায়না রিয়াধনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন মিলিটরি ইন্টলিজেন্স চীফ ইগোর কোরোবোভ লৈখিদ্রে

মোস্কো, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): রসিয়ন মিলিটরি ইন্টলিজেন্স এজেন্সী জি আর য়ুগী মকোক জেনরেল ইগোর কোরোবোভ মশাগী চহী ৬২ শুবদা লৈখিদ্রে হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

কুমজা ২০১৬ তা ফম অদু পায়বা হৌখিবা জেনরেল কোরোবোভ মতম শাংনা কন্না নারল্লবা মতুং হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লৈখিদবনি। রসিয়ন মিলিটরি ইন্টলিজেন্স এজেন্সী অসি চহী অসিদা বৃটেনদা রসিয়াগী হান্নগী স্পাই সর্গি স্ক্রিপাল অমসুং মহাক্কী মচানুপীদা নর্ভ এজেন্ট এটেক অমা চথখিবদা চেন্নখি। ওপরেসন অদু মায় পাকখিদবগীদমক্তা জেনরেল কোরোবোভবু রসিয়ন ওফিসলশিংনা চৈ থাংখিবা লৈ হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ৪ দা সলিসবেরিদা স্ক্রিপাল ৬৬ অমসুং মহাক্কী মচানুপী য়ুলিয়াদা চথখিবা এটেক অদুনা মরম ওইদুনা মখোয় হোস্পিটালদা চয়োল কয়ামুক চুপ্পা লায়কন্নখি। পোইজনিংগী থবক অদু অলেগজেন্দর মিশকিন অমসুং এনাতোলি চেপিগা কৌবা সস্পেক্ট অনী অসিনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শিখিবা লৈখ্রে। মখোয়নিমক বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা জি আর য়ুগী ওপরেটিভশিংনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখি। লোয়ননা মখোয়নিমক রসিয়ন ষ্টেটনসু এপ্রুভ তৌখি হায়রি। অমরোমদা, রসিয়ানদি ৱাফমশিং অদু য়াদ্রি।

জেনরেল কোরোবোভ কুমজা ১৯৭৩ দা রসিয়ন মিলিটরিদা চঙখি অমসুং কুমজা ১৯৮৫ দগী ইন্টলিজেন্সকী থবক তৌরকখি। মহাক এৱার্দ অমসুং মেদল কয়া ফংখি হায়না রসিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী তাসনা ফোঙদোকখি। তাসনা মহাক্লা লৈখিদবগী পাউ অদু মহাক্লা (জেনরেল কোরোবোভনা) অৱাওবা মচুগী মিলিটরি জেকেট লিংপগী শক্তম অমগা লোয়ননা ফোঙখি। রসিয়াগী দিফেন্স সেক্রেটরিনা মহাকপু মথৌদা থৱায় য়াওবা, হায়বা ইনবা অমসুং মরৈবাক নীংবা মীওই অমনি হায়না শিংথাখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে। মপুং ওইবা ইন্টলিজেন্স দিরেক্টোরেট ওইরিবা জি আর য়ু অসি রসিয়ন মিলিটরিগী ইন্টলিজেন্স মশানি। জি আর য়ুদা অরোনবা ইন্টরনেসনল ওপরেসনশিং পাঙথোকপগী থবক শিন্নে।

বোম মানবা পোৎশকশিং থেংনবদগী মীওই ১ ফারে

লন্দনন, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): লন্দনগী অৱাং নোংচুপথংবা শরুক্তা লৈবা মী লৈনদবা ফ্লেট অমদা বোম মানবা পোৎশক অনী থেংনবদগী বৃটিশ পুলিসনা মীওই অমা ফারে। তৌইগুম্বসুং মহাক টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তগা মরী লৈনদে হায়রি। দিভাইস অনী থেংনবদগী অৱাং নোংচুপথংবা লন্দনগী হার্লেসদেনদা লৈবা ফ্লেট অমদা ঙরাং পুলিস কৌখি। মফম অদুদা কাউন্টর টেররিজম ওফিসরশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌখ্রে। মশাগী চহী ৪৮ শুরবা নুপা অমা এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্স এক্টকী মখাদা চিংননিংঙাই ওইবা থৌওং চথুরম্বগী মরালদা ফাখি।

হৌজিক থিজিনবগী মতম ঙনমল্লিবনা ফারবা মীওই অদু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগা মরী লৈনরম্বা য়াই নৎত্রগা হৌজিক পব্লিক সেফটিগী ইস্যুশিং লৈ হায়বগী থাজবা দিক্টেটিভশিংদা লৈতে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱাফম য়ুম্ফম য়াওদে : বৈজিং

বৈজিং, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): চাইনানা ফজদবা মওংগী ট্রেদ প্রেক্টিসশিং লেপ্পুনা চথৈ হায়বা য়ু এসকী ৱাফম বৈজিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ৱাশিংতনদা কায়হৌরকপগী থৌওংশিং লেপ্পবা হায়খ্রে। লৈবাক অনিগী লুচিংবশিংনা মরুওইবা মীফমদা উনগদবা নুমীৎ মশিং য়াল্লক্লুবা মতম অসিদা নাকল অনীনা অৱাই-অখুম তৌনরকপনি।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট জিনপিংনা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা অর্জেন্টিনাদা জি-২০ গী সম্মিট মনুংদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ত্রম্পকা ৱারী শানগনি। মীফম অদুদা মালেমগী ইকনমিদা অকিবা পোকহল্লিবা ট্রেদ ৱার হন্থহন্নবগী ৱাফম খন্নগনি।

য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না চয়োল অসিদা থোকখিবা রিপোর্ট অমা নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না চাইনাগী কম্মর্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। চাইনানা মখা তানা ফজদবা ট্রেদ প্রেক্টিসশিং চথুরি। হৌজিক ফাওবদা বৈজিংগী মায়কৈদগী ট্রেদ প্রেক্টিসতা অহোংবা অমত্তা পুরক্ত্রি হায়না য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী রিপোর্ট অদুদা পনখিবনি।

য়ু এসকী মায়কৈদগী চাইনাগী মায়কৈদা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শিরক্লি। অসিগুম্বা মরাল শিবা ৱাফমশিং অসি চাইনানা য়ানিংঙাই ওইদে হায়না চাইনাগী কম্মর্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গাও ফেংনা বৈজিংদা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

ফাইন্দিংশিং অদু য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিবকী 'সেক্সন ৩০১' ইনভেষ্টিগেসনগী অপদেট অমদা ফোঙখি। ইনভেষ্টিগেসন অদুনা চাইনাগী ইন্টলেকচুয়েল প্রোপর্টি অমসুং টেক্নোলোজি ট্রান্সফর পোলিসীশিং য়েংশিল্লি। থৌরাংদুনা মরম ওইদুনা চাইনাগী দোল্লর বিলিয়ন ৫০ গী পোৎচৈশিংদা টেরিফ লৌহনখি। কোন্নদি দোল্লর বিলিয়ন ২৫০ গী চাইনাগী পোৎচৈশিংদা টেরিফ লৌহনখি।

রিপোর্ট অদুনা য়ু এসকী মরন্নাই ৱারেপ্পা ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসনগী রুলশিং খোঙ্গাওনবগী মওং উৎলি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অনীগী ওইবা ইকনমিক অমসুং ট্রেদকী মরীদা অকায়বা পীগদবা ৱাহৈশিং অমদি থৌওংশিং থাদোক্তুনা মরী ফগৎপদা মতেং ওইগদবা থৌওংশিং উৎলক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজবা থম্মী হায়না গাওনা ফোঙদোকখি।

'ইরান্না কেমিকেল খুৎলায় লোইনমক হায়দোক্তে'

অমষ্টরদাম, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): ইরান্না মালেমগী নন-প্রোলিফরেসন কনভেন্সন খোঙ্গাওনদুনা হেগতা লৈবা গ্লোবল কেমিকেল ৱেপন্স এজেন্সীদা মখোয়গী কেমিকেল খুৎলাইগী কেপেবিলিটিশিং মপুং ফানা হায়দোকখিদে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিদা লৈবা য়ু এসকী এম্বেসেদরনা ঙসি হায়খ্রে। এম্বেসেদর কেন্নেথ ৱার্দনা ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সী দব্লিয়ু) গী মীফমদা হায়খি মদুদি, ইরান্না এরিএল বোমশিংদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎশকশিং প্রদক্সন ফেসিলিটি অমা রিপোর্ট তৌবদা য়াওখিদে অমসুং লৈবাক অসিনা অথিংবা থম্বা টোক্সিক ম্যুনিসনশিং পুথোকপগী প্রোগ্রাম লেপ্পুনা পায়খৎলি। ৱাফম অদুগী মতাংদা ইরানগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইবা রিয়েক্সন অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।



[illegible]

ওজা এম ভি রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি

মতম কয়াগী মমাংদগী সাইনসনা নাতোন ফুনবা, নপ তিন তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক নাবা চিকপা, নুংশা মঙাল উরগা হেন্না কোক নাবা চিকপা লোক থুংদুনা অদুম লৈবা ...

ঐঙোন্দা সাইনসনা নাদুনা নাতোন মনুংদা ফঙফুনদা ফুনবা, শ্বর হোনবা য়াম্না ৱাবা, কোক চিকপা নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক নাবা হেনবা, নপ তিন তাবা, লোক য়াম্না খুবা, লোক থুংদুনা অদুম লৈবা, গুলি চারবসু ফত্তবা, নাতোন মনুংদা থিরি মরুগুম্না য়াম্না চাওরগা লৈবা, নাতোনদা মনম অমা ফাওবা ফাওদবা, চাবদা মহাও খঙদবা তৌরম্বা অদুবু **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী মাগী হিদাক অমসুং গুলি চাবদগী য়াম্না ফরে, নুংঙাইরে। ওজাবু মতম লৈবা খিবিক্তা কাউজরোই। মপুনা চানবীবা ওইসনু। ওজাবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Mayang Imphal Konchak Bazar
2. Moreh Bazar.

থাগৎচরিবী ঃ **KABITA**
Wabagai Bazar

HL-P/5677/23

[illegible]

Kabiraj পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Piles গী অৱাবা খাংদুনা চহী ১২ লৈরকখি। খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, চাথৎপা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাঙ নাবা, থবাক ফুনবনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা Wangoi State Bank অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা **Abdul Hak cont. no. 8014623756, 8794429681** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী Piles মপুং ফানা ফজরে, অনাবা অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : **KH. SHYAM MEITEI**
Singjamei Thongam Leikai

HL-P/5570/23



[illegible]/অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, অমাঙথোং ময়াদা কাকফৈগুম্না মচা অমা ইনথোক্লগা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, অমাঙথোং ময়াদা কাকফৈগুম্না মচা অমা ইনথোক্লগা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ তোয়না তোয়না হাম্বা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা খ্বাঙ, য়াংলেন নারগা খাঙফম খঙদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কাবনা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পুক শৌগৎপা, পুকচেপ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, খোঙ খুৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, ঙকশম মরি অমদি লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **T. SARAT**
Nambol

HL-P/5710/23

[illegible]/সাইনসনা মরম ওইরগা নাতোনদা নপ মহি চেনবা, নাতোন ফুনবা, থবাক নাবা, কোক য়াম্না লুম্বা, হকচাং ময়েং তাশিনবা ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু হন্না হন্না থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নিংথমথা ওইরকপগা লোক থুংবা, নাতোনদা নপ মহি তোইনা চেনবা, নাতোন ফুনবা, নাতোন চিংবা মতমদা থবাক ওইনা নারকপা, কোক য়াম্না লুম্বা, হকচাং হৈনিং শীংনিংদবা, হকচাং নোংম নোংমগী ময়েং তাশিল্লকপা, তুম্বা য়াদবা, হকচাংগী কয়াৎশিং মথৌ তৌদবগুম ইপং পংশিনবা, হকচাং চোকথ ৱান্থবা লায়না কয়া অসি ওজা **Sahidur Rahman Makakmayum ☎ 8310735055/ 9612725959** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **সহিদুর রাহমন**-বু মীয়ামগী সেবা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তৌবীখো হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 6 a.m. to 9.30 am.
2. Sangai Bazar M/S Gambhir Enterprises,
Takhellambam Konjil (Hiyangthang) 10 a.m. to 4 pm.
3. Pallel Bazar, Kakching District.

থাগৎচরিবা : **S. SHARAT**
Heirangoithong

HL-P/3694/23

[illegible] **ADMISSION OPEN** [illegible]

ENGLISH COACHING

For

- **SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO**
- **RHYME TEACHERS TRAINING COURSE**
  [Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4970/13/11-9/12

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF INFORMATION & PUBLIC RELATIONS
NOTICE INVITING TENDER

No.3/57/2000-DIPR (Pt-III)/688 **Imphal, the 17th November, 2018**

Subject: Tender Notice for displaying of hoardings.

The Directorate of Information & Public Relations (DIPR), Manipur invites sealed tenders from registered and reputed hoarding agencies for empanelment of two advertising firms to execute the works of displaying of hoardings highlighting various activities of the Government from time to time on contractual basis for a period of one year.

The tenders will be received upto 2 p.m. of 3rd December, 2018 and the same will be opened at 3 p.m. of the same day by the undersigned in presence or absence of the tenderers as the case may be.

Guidelines for empanelment containing eligible criteria, prescribed formats for applications, etc. are available for download at **www.manipurtenders.gov.in** or **www.manipur.gov.in** or visit DIPR, Nityaipat Chuthek, Imphal during office hours.

Sd/- **H. Balkrisna Singh**
Director,
Information & Public Relations,
Govt. of Manipur

HL-B/5021/23

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL

ADVERTISEMENT

Imphal, the 22nd November, 2018

No.HCM/R-3/2018-Estt-II/ Applications are invited online for filling up the following posts in the Subordinate Courts of Manipur in the Scale of pay as given against the posts.

Sl. No.	Name of Posts	Scale of Pay	No. of Posts *(Which may increase)*					
			UR	ST	SC	OBC (M)	OBC (MP)	TOTAL
1	Driver	5200-20200+Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules	4	1	0	0	1	6
2	Driver on Contract basis *co-terminus with 14th Finance Commission Award*	5200-20200+Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules	3	0	0	0	0	3

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in.

Important Dates:

- **Opening of Online Registration and Submission of Application Form : 5th December, 2018.**
- **Closing of Online Registration and Submission of Application Form: 20th December, 2018.**
- **Last Date of Hardcopy submission: 21st December, 2018.**
- **Download of Admit Cards: Shall be notified later.**

Sd/-
R.K. MEMCHA DEVI
REGISTRAR (JUDL.)
HIGH COURT OF MANIPUR
Imphal, the 22nd November, 2018

Endt. No. HCM/R-3/2018-Estt-II/ 25511-49

HL-B/5020/23&25